ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯰꯱, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯰꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, এপ্রিল ০১, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৮শুবা চহী, ০০৪শুবা মশীং

ঙানি-ঈশিংনি খঙলে
শঙলিংবগী খূৎতা শিন্নখিগদ্রা

লৈবাকসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি পূম্নমক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলসিগী শেম-শাবা, থৌরাং পূম্নমক লোইশিল্লক্রে। মার্চ ১৬, ২০২৪দা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না মীখলসিগী ভোট থাদনগদবা মতম লাউথোকখিবগী মতুংইন্না মণিপুরগী ইন্নর অমসুং আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী ইলেক্সন নোটিফিকেসন থোকখিবগা লোয়ননা মীরেপ চে পীশিনবা, স্ক্রুটিনি, মীরেপ চে লৌথোকপগী মতম ফাওবা লোইশিনখ্রে। হৌজিক পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি ২গী ভোটর মীয়ামগী মাঙদা তারিবসি থাসিগী ১৯ অমসুং ২৬তা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলসিদা করম্বা পার্টিগী য়াওনা মীরেপ কনাদা ভোট পীদুনা মণিপুরবু চহী ৫গী ওইনা লোক সভাদা মহুৎ শিলহল্লুগদগে হায়বসিদা ঙাইহরে। পোলিটিকেল পার্টি অমসুং মীরেপশিংগী মতাংদদি লৈখাই তারে, ঙানি-ঈশিংনি হায়বা খঙলে। ফিভমসি য়ৌরক্লবনিনা ভোটরশিংনা করম্বা মীরেপ্পু মীহুৎ ওইনা খনগদগে হায়বদা ঙাইশিল্লক্রে। ইন্নরদগীনা কনা থাগদৌরি? আউটরদগীনা কনা ওইগদৌরি হায়বসিগী পাউখুম ইলেক্টরশিংনা পীরগদবনি। পীদবা য়ারোই, হন্দক্কী লোক সভাগী মীখল অসিগুম্বা অমত্তা মণিপুরদা পাঙথোকখিদ্রি। লোক সভাগী ১৮শুবা মীখলসিদি মণিপুরগী ওইনদি লান মনুংদা পাঙথোক্কদৌরিবনি। মমাঙগী কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরকখিবা লান হৌজিকসু লোইদ্রি। কুকি মিলিটেন্টশিংনা খোঙহাই হেক চাবগা, খুদোংচাবা ফংবগা মীতৈশিং তম্না নোংমৈ অমসুং বোম কাপশিল্লকপা লেপত্রি। অঙাং মবুক নুংঙাইতবগী খোঙহামগী ফীভমদা অদুম্মক লৈরি। অদুবু হৌজিক লৈবাকসিগী অনৌবা লৈঙাক্লোন খূৎপায়নরগদবা মীহুৎশিং খন্নবগী নুমিৎ খূৎনা লাম্বা ফংজিল্লক্লবা মতমসিদা থা ১১ মপূং ফাজিল্লক্লবা তমথীরবা লানসিগী হৌরকফম মরম, লান মনুংদা থোকখ্রিবা তাহে-উহৈদ্রবা থৌদোক-ৱাথোকশিং, মীওই ২০০ হেন্না শিখিবা, কয়া’মনা শোকখিবা, মীওই কয়া লাঙ্গেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরিবসিগী মহাভারত অমসুং রমায়নদৌনা শাংবা লানগী ৱারীগী ‘খন্ড’ শিং ফাক্তোক-শেৎতোক্তুনা লিখিগদ্রা?

য়ামখ্রবা থৌদোক-ৱাথোক পূম্নমক্কী ৱারী শীংবুল মণিপুর মীয়ামগী পূক্নিং-ৱাখল অমসুং থম্মোয়দা পীক থন্না চঙশিন্দুনা লৈখ্রবনি। মৈতালনা ৱাখৈদ্রিবা ফাওবা কোকথোক চামথোকপা য়াররোইদবনি। অদুগা থৌদোকশিং অসিগী তেকচাকসু য়ূম্বু ওইরিবা মণিপুর লৈঙাক্লা পুজখ্রবনি। এদভান্স ইন্টেলিজেন্স ফংহৌদ্রে, মতম চানা সিক্যুরিটিগী চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎহৌদ্রে হায়বা ৱাফম মীয়ামদা খূবাঙ চাংজৌ তরা লোন্নদুনা শকফম হঞ্জিল্লগা পেরি-পেরি তৌদুনা ফোঙদোরকখ্রবনি। ৱাফমশিংসি ফোঙদোকখ্রবসু লানসি লেপহন্নবা পাম্বৈ থিদবা, খাম্নবা হোৎনদবা, ঙমদ্রগা ঙমদ্রেসু হায়দবা, অঙম্বা য়ুনিয়ন লৈঙাক্তসু তকশিন্দবদগী হৌজিক থা ১১ মপূং ফাজিল্লক্লিবনি হায়বসিদা লাই কোতি ৩৩ লাক্লবসু ককপা ঙমগদৌরিব্রা? হূই ঙাওবদা হূইবু থিবদি থায়নদগী চৎনদুনা লাক্লবনি। লানসিগী তেকচাক য়ূম্বু ওইরিবা ষ্টেট লৈঙাক্লা পুগদবনি। মসিনা চুমগদবা ওইরবদি মীওই ২০০ হেন্না অঙাং ওলহনখ্রিবা শঙলিংবশিংদু কনানি হায়বা য়ারক্কদৌরিবগে? ৱাহংসিগী পাউখুম থাসিগী ১৯ অমসুং ২৬তা মণিপুরগী ভোটরশিংনা পীফম থোকই হায়বনি। থোরক্লিবা লানগী লানফম কয়াগী চৈথেং-চৈনা অমসুং মৈশানা উইশিল্লক্লবা মীয়ামদবু ভোটসিগীদমক তৌরকপা মোইথেম, থাক্লকপা লাং, শক্লকপা হিংচাবীগী শরি ওইরক্কদবা ৱাশক পরেংনা খুদুম চনশিনহনখিদুনা হুমদুনা পুহনখিবা চুমগদ্রা? হন্দক্কী মীখলসিদদি মণিপুরগী মীয়াম মশেলদা নত্তুনা লৈবাকসিগী অমসুং মালেমগী মীয়াম্না ষ্টেটসিগী মীওইশিংগী চপ চাবা মশক খঙগদৌরিবনি। ময়েক শেংবা মীয়ামগী মেন্দেটতুনা মনা পঙলিবা, মমিৎ তাঙশিন্নরিবা অমসুং মরোল থোকচিন্নদ্রিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংসু খংপ্রেক খংহন্দুনা য়াদে হায়ব’মা খঙহনগদৌরিবনি। লানসি লেপহল্লগা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা পূন্সিদা হঞ্জিলহল্লবা মতুংদা পাঙথোকপীনবা চেঞ্জ-চোংজনা, লাউজ-খোংজদুনা হায়জবা পূম্নমক তাবিদ্রবনিনা তৌরসনু। লানগী মায়োক্তা মশক থোকপা থবকশিং অত্ততাই ওইনা তৌরকপা ঙমগদবা মীহুৎশিং থাগৎহৌনবগী, অপুম্বা-অপৎপশিংগী মহুৎ শিলহৌনবগীদমক লাইনা নোংথক্তগী থাদরকপা খুদোংচাবনি হায়না লৌরগদবনি। উৎ-পাৎ তৌদুনা হায়জিন্নবী-তৌশিন্নবীগী কুরাংবান খক্তমক ফজহনবা লৈঙাক্লোননা মীয়াম্বু কুইনা হুমদুনা পুবা য়াদে হায়বদু খঙহলহৌরগদবনি। ঙাইহাক্কী য়ারি-য়াখোঙ থুল্লগা, ওইজ-ওইথক খরদা মীয়ামগী মমল য়াম্লবা হক মন্তিক্নহনখিবা চুম্লোই। মায়কৈ ফাংনা অমসুং মশীং শুনা তম্বীরগদৌরিবা পাড়ানি। মীয়াম পঙথদুনা লৈবগী মতম নৎত্রে, মীৎকপ থোক্লগদবনি। মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংগী অৱাংবা কৈরাক থারমগদবনি। নুঙদা হক্তুনা থমহৌগদবা থৌনা ফবশিংগী মমিংশিংদি মতম পূম্নমক্তা নোক্লা-নোক্লা লৈহৌগদৌরিবনি।

ꯉꯥꯅꯤ-ꯏꯁꯤꯡꯅꯤ ꯈꯉꯂꯦ
ꯁꯉꯂꯤꯡꯕꯒꯤ ꯈꯨꯠꯇ ꯁꯤꯟꯅꯈꯤꯒꯗ꯭ꯔꯥ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯇꯦꯔꯤꯇꯔꯤ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯇꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯗꯧꯔꯤꯕꯥ ꯱꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯂꯣꯛ ꯁꯚꯥ ꯃꯤꯈꯜꯁꯤꯒꯤ ꯁꯦꯝ-ꯁꯥꯕꯥ, ꯊꯧꯔꯥꯡ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯂꯣꯏꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯦ꯫ ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯶, ꯲꯰꯲꯴ꯗꯥ ꯏꯂꯦꯛꯁꯟ ꯀꯝꯃꯤꯁꯟ ꯑꯣꯐ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥ (ꯏ ꯁꯤ ꯑꯥꯏ) ꯅꯥ ꯃꯤꯈꯜꯁꯤꯒꯤ ꯚꯣꯠ ꯊꯥꯗꯅꯒꯗꯕꯥ ꯃꯇꯝ ꯂꯥꯎꯊꯣꯛꯈꯤꯕꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡ ꯏꯟꯅꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯏꯟꯅꯔ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯥꯎꯇꯔ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯄꯥꯔꯂꯤꯌꯥꯃꯦꯟꯇꯔꯤ ꯀꯟꯁꯇꯤꯆꯨꯌꯦꯟꯁꯤꯒꯤ ꯏꯂꯦꯛꯁꯟ ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ ꯊꯣꯛꯈꯤꯕꯒꯥ ꯂꯣꯌꯅꯅꯥ ꯃꯤꯔꯦꯞ ꯆꯦ ꯄꯤꯁꯤꯟꯕꯥ, ꯁ꯭ꯀ꯭ꯔꯨꯇꯤꯅꯤ, ꯃꯤꯔꯦꯞ ꯆꯦ ꯂꯧꯊꯣꯛꯄꯒꯤ ꯃꯇꯝ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯂꯣꯏꯁꯤꯟꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯄꯥꯔꯂꯤꯌꯥꯃꯦꯟꯇꯔꯤ ꯀꯟꯁꯇꯤꯆꯨꯌꯦꯟꯁꯤ ꯲ꯒꯤ ꯚꯣꯇꯔ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯃꯥꯡꯗꯥ ꯇꯥꯔꯤꯕꯁꯤ ꯊꯥꯁꯤꯒꯤ ꯱꯹ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯲꯶ꯇꯥ ꯇꯥꯡꯀꯛ ꯑꯅꯤ ꯊꯣꯛꯂꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯗꯧꯔꯤꯕꯥ ꯃꯤꯈꯜꯁꯤꯗꯥ ꯀꯔꯝꯕꯥ ꯄꯥꯔꯇꯤꯒꯤ ꯌꯥꯎꯅꯥ ꯃꯤꯔꯦꯞ ꯀꯅꯥꯗꯥ ꯚꯣꯠ ꯄꯤꯗꯨꯅꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯕꯨ ꯆꯍꯤ ꯵ꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯂꯣꯛ ꯁꯚꯥꯗꯥ ꯃꯍꯨꯠ ꯁꯤꯜꯍꯜꯂꯨꯒꯗꯒꯦ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯥ ꯉꯥꯏꯍꯔꯦ꯫ ꯄꯣꯂꯤꯇꯤꯀꯦꯜ ꯄꯥꯔꯇꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯤꯔꯦꯞꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗꯗꯤ ꯂꯩꯈꯥꯏ ꯇꯥꯔꯦ, ꯉꯥꯅꯤ-ꯏꯁꯤꯡꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯈꯉꯂꯦ꯫ ꯐꯤꯚꯝꯁꯤ ꯌꯧꯔꯛꯂꯕꯅꯤꯅꯥ ꯚꯣꯇꯔꯁꯤꯡꯅꯥ ꯀꯔꯝꯕꯥ ꯃꯤꯔꯦꯞꯄꯨ ꯃꯤꯍꯨꯠ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯈꯅꯒꯗꯒꯦ ꯍꯥꯌꯕꯗꯥ ꯉꯥꯏꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯦ꯫ ꯏꯟꯅꯔꯗꯒꯤꯅꯥ ꯀꯅꯥ ꯊꯥꯒꯗꯧꯔꯤ? ꯑꯥꯎꯇꯔꯗꯒꯤꯅꯥ ꯀꯅꯥ ꯑꯣꯏꯒꯗꯧꯔꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯒꯤ ꯄꯥꯎꯈꯨꯝ ꯏꯂꯦꯛꯇꯔꯁꯤꯡꯅꯥ ꯄꯤꯔꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯄꯤꯗꯕꯥ ꯌꯥꯔꯣꯏ, ꯍꯟꯗꯛꯀꯤ ꯂꯣꯛ ꯁꯚꯥꯒꯤ ꯃꯤꯈꯜ ꯑꯁꯤꯒꯨꯝꯕꯥ ꯑꯃꯠꯇꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯈꯤꯗ꯭ꯔꯤ꯫ ꯂꯣꯛ ꯁꯚꯥꯒꯤ ꯱꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯤꯈꯜꯁꯤꯗꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯗꯤ ꯂꯥꯟ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯃꯥꯡꯒꯤ ꯀꯨꯝꯖꯥ ꯲꯰꯲꯳ꯒꯤ ꯃꯦ ꯳ꯗꯒꯤ ꯍꯧꯔꯀꯈꯤꯕꯥ ꯂꯥꯟ ꯍꯧꯖꯤꯛꯁꯨ ꯂꯣꯏꯗ꯭ꯔꯤ꯫ ꯀꯨꯀꯤ ꯃꯤꯂꯤꯇꯦꯟꯇꯁꯤꯡꯅꯥ ꯈꯣꯡꯍꯥꯏ ꯍꯦꯛ ꯆꯥꯕꯒꯥ, ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕꯥ ꯐꯪꯕꯒꯥ ꯃꯤꯇꯩꯁꯤꯡ ꯇꯝꯅꯥ ꯅꯣꯡꯃꯩ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯕꯣꯝ ꯀꯥꯞꯁꯤꯜꯂꯀꯄꯥ ꯂꯦꯞꯇ꯭ꯔꯤ꯫ ꯑꯉꯥꯡ ꯃꯕꯨꯛ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯇꯕꯒꯤ ꯈꯣꯉꯍꯥꯃꯒꯤ ꯐꯤꯚꯃꯗꯥ ꯑꯗꯨꯝꯃꯛ ꯂꯩꯔꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯑꯅꯧꯕꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯟ ꯈꯨꯠꯄꯥꯌꯅꯔꯒꯗꯕꯥ ꯃꯤꯍꯨꯠꯁꯤꯡ ꯈꯟꯅꯕꯒꯤ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯠꯅꯥ ꯂꯥꯝꯕꯥ ꯐꯪꯖꯤꯜꯂꯛꯂꯕꯥ ꯃꯇꯃꯁꯤꯗꯥ ꯊꯥ ꯱꯱ ꯃꯄꯨꯡ ꯐꯥꯖꯤꯜꯂꯛꯂꯕꯥ ꯇꯃꯊꯤꯔꯕꯥ ꯂꯥꯟꯁꯤꯒꯤ ꯍꯧꯔꯀꯐꯝ ꯃꯔꯝ, ꯂꯥꯟ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯊꯣꯀꯈ꯭ꯔꯤꯕꯥ ꯇꯥꯍꯦ-ꯎꯍꯩꯗ꯭ꯔꯕꯥ ꯊꯧꯗꯣꯛ-ꯋꯥꯊꯣꯛꯁꯤꯡ, ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯲꯰꯰ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯁꯤꯈꯤꯕꯥ, ꯀꯌꯥ'ꯃꯅꯥ ꯁꯣꯛꯈꯤꯕꯥ, ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯀꯌꯥ ꯂꯥꯡꯉꯦꯟꯅꯗꯨꯅꯥ ꯔꯤꯂꯤꯐ ꯀꯦꯝꯄꯁꯤꯡꯗꯥ ꯆꯉꯖꯐꯝ ꯂꯧꯔꯤꯕꯁꯤꯒꯤ ꯃꯍꯥꯚꯥꯔꯠ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯔꯃꯥꯌꯟꯗꯧꯅꯥ ꯁꯥꯡꯕꯥ ꯂꯥꯟꯒꯤ ꯋꯥꯔꯤꯒꯤ 'ꯈꯟꯗ' ꯁꯤꯡ ꯐꯥꯛꯇꯣꯛ-ꯁꯦꯠꯇꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯂꯤꯈꯤꯒꯗ꯭ꯔꯥ?

ꯌꯥꯝꯈ꯭ꯔꯕꯥ ꯊꯧꯗꯣꯛ-ꯋꯥꯊꯣꯛ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯀꯤ ꯋꯥꯔꯤ ꯁꯤꯡꯕꯨꯜ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡ-ꯋꯥꯈꯜ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯊꯝꯃꯣꯌꯗꯥ ꯄꯤꯛ ꯊꯟꯅꯥ ꯆꯉꯁꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯈ꯭ꯔꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯩꯇꯥꯂꯅꯥ ꯋꯥꯈꯩꯗ꯭ꯔꯤꯕꯥ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯀꯣꯛꯊꯣꯛ ꯆꯥꯝꯊꯣꯛꯄꯥ ꯌꯥꯔꯔꯣꯏꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯊꯧꯗꯣꯛꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯇꯦꯛꯆꯥꯛꯁꯨ ꯌꯨꯝꯕꯨ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯥ ꯄꯨꯖꯈ꯭ꯔꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯦꯗꯚꯥꯟꯁ ꯏꯟꯇꯦꯂꯤꯖꯦꯟꯁ ꯐꯪꯍꯧꯗ꯭ꯔꯦ, ꯃꯇꯝ ꯆꯥꯅꯥ ꯁꯤꯀꯨꯔꯤꯇꯤꯒꯤ ꯆꯦꯀꯁꯤꯟ-ꯊꯧꯔꯥꯡꯁꯤꯡ ꯂꯧꯈꯠꯍꯧꯗ꯭ꯔꯦ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯋꯥꯐꯝ ꯃꯤꯌꯥꯃꯗꯥ ꯈꯨꯕꯥꯡ ꯆꯥꯡꯖꯧ ꯇꯔꯥ ꯂꯣꯟꯅꯗꯨꯅꯥ ꯁꯛꯐꯝ ꯍꯟꯖꯤꯜꯂꯒꯥ ꯄꯦꯔꯤ-ꯄꯦꯔꯤ ꯇꯧꯗꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯔꯀꯈ꯭ꯔꯕꯅꯤ꯫ ꯋꯥꯐꯃꯁꯤꯡꯁꯤ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯈ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯂꯥꯟꯁꯤ ꯂꯦꯞꯍꯟꯅꯕꯥ ꯄꯥꯝꯕꯩ ꯊꯤꯗꯕꯥ, ꯈꯥꯝꯅꯕꯥ ꯍꯣꯠꯅꯗꯕꯥ, ꯉꯃꯗ꯭ꯔꯒꯥ ꯉꯃꯗ꯭ꯔꯦꯁꯨ ꯍꯥꯌꯗꯕꯥ, ꯑꯉꯝꯕꯥ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯂꯩꯉꯥꯛꯇꯁꯨ ꯇꯀꯁꯤꯟꯗꯕꯗꯒꯤ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯊꯥ ꯱꯱ ꯃꯄꯨꯡ ꯐꯥꯖꯤꯜꯂꯛꯂꯤꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯥ ꯂꯥꯏ ꯀꯣꯇꯤ ꯳꯳ ꯂꯥꯛꯂꯕꯁꯨ ꯀꯀꯄꯥ ꯉꯃꯒꯗꯧꯔꯤꯕ꯭ꯔꯥ? ꯍꯨꯏ ꯉꯥꯎꯕꯗꯥ ꯍꯨꯏꯕꯨ ꯊꯤꯕꯗꯤ ꯊꯥꯌꯅꯗꯒꯤ ꯆꯠꯅꯗꯨꯅꯥ ꯂꯥꯛꯂꯕꯅꯤ꯫ ꯂꯥꯟꯁꯤꯒꯤ ꯇꯦꯛꯆꯥꯛ ꯌꯨꯝꯕꯨ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯥ ꯄꯨꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯅꯥ ꯆꯨꯝꯒꯗꯕꯥ ꯑꯣꯏꯔꯕꯗꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯲꯰꯰ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯑꯉꯥꯡ ꯑꯣꯂꯍꯟꯈ꯭ꯔꯤꯕꯥ ꯁꯉꯂꯤꯡꯕꯁꯤꯡꯗꯨ ꯀꯅꯥꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯌꯥꯔꯛꯀꯗꯧꯔꯤꯕꯒꯦ? ꯋꯥꯍꯪꯁꯤꯒꯤ ꯄꯥꯎꯈꯨꯝ ꯊꯥꯁꯤꯒꯤ ꯱꯹ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯲꯶ꯇꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯚꯣꯇꯔꯁꯤꯡꯅꯥ ꯄꯤꯐꯝ ꯊꯣꯛꯏ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯊꯣꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯂꯥꯟꯒꯤ ꯂꯥꯟꯐꯝ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯆꯩꯊꯦꯡ-ꯆꯩꯅꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯩꯁꯥꯅꯥ ꯎꯏꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯕꯥ ꯃꯤꯌꯥꯃꯗꯕꯨ ꯚꯣꯇꯁꯤꯒꯤꯗꯃꯛ ꯇꯧꯔꯀꯄꯥ ꯃꯣꯏꯊꯦꯝ, ꯊꯥꯛꯂꯀꯄꯥ ꯂꯥꯡ, ꯁꯛꯂꯀꯄꯥ ꯍꯤꯡꯆꯥꯕꯤꯒꯤ ꯁꯔꯤ ꯑꯣꯏꯔꯛꯀꯗꯕꯥ ꯋꯥꯁꯛ ꯄꯔꯦꯡꯅꯥ ꯈꯨꯗꯨꯝ ꯆꯅꯁꯤꯟꯍꯟꯈꯤꯗꯨꯅꯥ ꯍꯨꯝꯗꯨꯅꯥ ꯄꯨꯍꯟꯈꯤꯕꯥ ꯆꯨꯝꯒꯗ꯭ꯔꯥ? ꯍꯟꯗꯛꯀꯤ ꯃꯤꯈꯜꯁꯤꯗꯗꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯃꯁꯦꯜꯗꯥ ꯅꯠꯇꯨꯅꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯥꯂꯦꯃꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯁ꯭ꯇꯦꯇꯁꯤꯒꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯒꯤ ꯆꯞ ꯆꯥꯕꯥ ꯃꯁꯛ ꯈꯉꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯌꯦꯛ ꯁꯦꯡꯕꯥ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯃꯦꯟꯗꯦꯇꯇꯨꯅꯥ ꯃꯅꯥ ꯄꯉꯂꯤꯕꯥ, ꯃꯃꯤꯠ ꯇꯥꯡꯁꯤꯟꯅꯔꯤꯕꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯔꯣꯜ ꯊꯣꯛꯆꯤꯟꯅꯗ꯭ꯔꯤꯕꯥ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯂꯩꯉꯥꯛꯀꯤ ꯂꯨꯆꯤꯡꯕꯁꯤꯡꯁꯨ ꯈꯪꯄ꯭ꯔꯦꯛ ꯈꯪꯍꯟꯗꯨꯅꯥ ꯌꯥꯗꯦ ꯍꯥꯌꯕ'ꯃꯥ ꯈꯉꯍꯟꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯂꯥꯟꯁꯤ ꯂꯦꯞꯍꯜꯂꯒꯥ ꯃꯍꯧꯁꯥꯒꯤ ꯏꯪ-ꯇꯞꯄꯥ ꯄꯨꯟꯁꯤꯗꯥ ꯍꯟꯖꯤꯜꯍꯜꯂꯕꯥ ꯃꯇꯨꯡꯗꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯄꯤꯅꯕꯥ ꯆꯦꯟꯖ-ꯆꯣꯡꯖꯅꯥ, ꯂꯥꯎꯖ-ꯈꯣꯡꯖꯗꯨꯅꯥ ꯍꯥꯌꯖꯕꯥ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯇꯥꯕꯤꯗ꯭ꯔꯕꯅꯤꯅꯥ ꯇꯧꯔꯁꯅꯨ꯫ ꯂꯥꯟꯒꯤ ꯃꯥꯌꯣꯛꯇꯥ ꯃꯁꯛ ꯊꯣꯛꯄꯥ ꯊꯕꯛꯁꯤꯡ ꯑꯠꯇꯇꯥꯏ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯇꯧꯔꯀꯄꯥ ꯉꯃꯒꯗꯕꯥ ꯃꯤꯍꯨꯠꯁꯤꯡ ꯊꯥꯒꯠꯍꯧꯅꯕꯒꯤ, ꯑꯄꯨꯝꯕꯥ-ꯑꯄꯠꯄꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠ ꯁꯤꯜꯍꯧꯅꯕꯒꯤꯗꯃꯛ ꯂꯥꯏꯅꯥ ꯅꯣꯡꯊꯛꯇꯒꯤ ꯊꯥꯗꯔꯀꯄꯥ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯂꯧꯔꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯎꯠ-ꯄꯥꯠ ꯇꯧꯗꯨꯅꯥ ꯍꯥꯌꯖꯤꯟꯅꯕꯤ-ꯇꯧꯁꯤꯟꯅꯕꯤꯒꯤ ꯀꯨꯔꯥꯡꯕꯥꯟ ꯈꯛꯇꯃꯛ ꯐꯖꯍꯟꯕꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯟꯅꯅꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝꯕꯨ ꯀꯨꯏꯅꯥ ꯍꯨꯝꯗꯨꯅꯥ ꯄꯨꯕꯥ ꯌꯥꯗꯦ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨ ꯈꯉꯍꯜꯍꯧꯔꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯉꯥꯏꯍꯥꯛꯀꯤ ꯌꯥꯔꯤ-ꯌꯥꯈꯣꯡ ꯊꯨꯜꯂꯒꯥ, ꯑꯣꯏꯖ-ꯑꯣꯏꯊꯛ ꯈꯔꯗꯥ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯃꯃꯜ ꯌꯥꯝꯂꯕꯥ ꯍꯛ ꯃꯟꯇꯤꯛꯅꯍꯟꯈꯤꯕꯥ ꯆꯨꯝꯂꯣꯏ꯫ ꯃꯥꯌꯀꯩ ꯐꯥꯡꯅꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯁꯤꯡ ꯁꯨꯅꯥ ꯇꯝꯕꯤꯔꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯥ ꯄꯥꯔꯥꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯄꯉꯊꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯕꯒꯤ ꯃꯇꯝ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯦ, ꯃꯤꯠꯀꯞ ꯊꯣꯛꯂꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯌꯦꯜꯍꯧꯃꯤꯁꯤꯡꯒꯤ ꯑꯋꯥꯡꯕꯥ ꯀꯩꯔꯥꯛ ꯊꯥꯔꯃꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯅꯨꯡꯗꯥ ꯍꯛꯇꯨꯅꯥ ꯊꯃꯍꯧꯒꯗꯕꯥ ꯊꯧꯅꯥ ꯐꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯃꯤꯡꯁꯤꯡꯗꯤ ꯃꯇꯝ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯇꯥ ꯅꯣꯛꯂꯥ-ꯅꯣꯛꯂꯥ ꯂꯩꯍꯧꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ꯫

লৌমীশিংগী কাখল

লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ
ডা. এম থোইথোই সিংহ

Q1. হৱাই মখয়াৎ মুবী খরা থাজে অদুবু মহৈ মপূং ফাদ্রিঙৈ পাওদর মফোল মানবা কয়া তাবা থেংনজে। হৱাই পাম্বী অয়াম্বা কংশিল্লক্লে। মসিদগী ঙাকথোক্লবা ওর্গেনিক ওইবা হীদাক তাকপীরকউ।

- মোইরাংথেম কমল, খাঙবোক মৈস্নাম লৈকায়

☞ Subwell *(Basicillus subtilis)* মিলিলিটর ৮০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা মনাশিং মপূং ফানা চোৎনবা নুংথিলগী মতমদা কাপথোকসি। নুমিৎ ১০-১৫ ফাওবগী মনুংদা অনীরকশুবা ওইনা অমুক হন্না কাপথোক্কনি। হৌজিক্তি নোং চুবা অমসুং নুংশিত্তা ঈশিং মনিল য়াম্না ৱাংবা মরম্না লায়না থোকহল্লিবা কোকফাইগী মপাঙ্গল কনগনি। নুংশা হেক হাইদোরকপগা কাপ্পীয়ু। হীদাক্তুনা লায়না থোকহল্লিবা কোকফাইদু হাৎপদা নত্তনা পাম্বী ফগৎহল্লি।

হীদাকসিমক ফংদ্রগসু মান্নবা অমা শীজিন্নবা য়াই।

Q2. পাম্বীশিংনা মপাল শারিঙৈদা তীল হীদাক কাপ্পসি মপালশিংদুদা অকায়বা পীব্রা? অদুগা হীদাক কাপ্লবা মতুংদা মপান কেনবসু থেংনজে। করি হীদাক কাপ্লগদি মপালসু কেন্দবা অদুগা তীলসু শিগদগে? হীদাক অমত্তা হায়বীরকউ।

- সাপম রঘুচন্দ্র, খা পোৎশংবম, বিষ্ণুপুর

☞ পাম্বীশিংনা মপাল শারিঙৈদা তীল হীদাক কাপ্লোই। মতমসিদা তীল হীদাক কাপ্পনা হয়িংখোইশিংদা অকায়বা পী। পাম্বীশিংবু মহৈ য়ালহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা হয়িংখোই অমসুং অতৈ কান্নরবা তীলশিংবু মাঙহন-তাকহনবনা মরম ওইরগা উহৈ পানবা হন্থহল্লি। হয়িংখোই নৎত্রগা অতৈ পোলিনেটরশিং শোকখিনি খন্দুনা অয়ূক অঙনবদা নৎত্রগা নুমিদাং হীদাক কাপ্পসু য়াওই অদুবু হীদাক্তু চয়োল অনীমুক চৎপনা হয়িংখোই অমসুং অতৈ কান্নরবা তীলশিংদা অকায়বা পী। মরম অসিনা হৈনৌ তীল চাদনবা হীদাক কাপ্পদা হৈনৌনা হৱাইথরাক মরূমুক চাউরিঙৈদা নৎত্রগা মার্বল মুক চাউরিঙৈদা হীদাক কাপ্লিবসিনি।

অদুবু হীদাক কাপ্পনা মরম ওইরগা মপানদি কেল্লোই। পাম্বীদা শীজিন্নরিবা তীল হীদাকশিং পাম্বী মশাদা শোক্লোই। ফাইটোটোক্সিক ওইদে।

করি পাম্বীদা তাবা করম্বা তীলনো হায়বদু খঙদোল্লগা চপ চাবা হীদাক কাপসি। ফোটো য়াওনা থাবীরক্লগদি নুংঙাইজগনি।

Q3. কালেন থাদা থাবা য়াবা তীহ্লৌ মখল খরা খঙজনীংই। হৌজিক হৌজিক ঐখোয় শ্বাইদা ফংবা ঙমগদবা মখলসু তাকপীরকউ।

- লৈফ্রাকপম বসন্ত, লংথবাল

☞ কালেন থাদা থাবা য়াবা তীহ্লৌ মখলদি খরা ঙনখৎনা মরূ তাবা ঙমগদবা, ফোটোসিন্থেটিক এক্টিভিটি ৱাংবা, মঙক পীকপা/চেৎকনবা, ঈশিং হেনবদা খাঙবা ঙম্বা অমসুং লায়না তাগন্দবা ওইগনি। অদুবু মগুণ পূম্নমক চপ চানা শুনা চেনবা তীহ্লৌ মখল থিবা ৱাই। অদুবু তিহ্লৌ মপূং ফাবদা মতম শাংনা চঙদবা নুমিৎ ৯০-১০৫ মুক্তা চঙলবদি কালেনগীদমক য়াম্না ফরে। N-53, Baswant-780, Banglore Rose (Rose Onion), Bhima Super, Bhima Red, Bhima Raj, Agrifound Dark Red, Arka Kalyan কালেনগী ওইনা থাবা য়াই। কালেনগী তীহ্লৌ মখল খুদিংমক নীংথমথাদসু থাবা য়াই।

N-53 দি হৌজিক হৌজিক দুকান খুদিংদা ফংলি হায়বা য়াই। মসি থাবীয়ু।

এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ

[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা, ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]

চিঠি থারকফম

এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ
সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১

নৎত্রগা অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল *hueiyenagri@gmail.com* দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।

পাম্বীনা নীংথিনা হৌবদা লৈবাক লৈহাওগী থৌদাংশিং

- এস সুমঙ্গল -

লৈবাক লৈহাও (সোইল) করিনো হায়না নৈনবদা অরায়বা পাউখুম অমা থম্বা তারগদি সোইল হায়বসি পাম্বীনা হৌনবা য়ূম্ফম ওইবা, মপং, মহী, মনীল অহুম্না পূন্না শেম্বা সিষ্টম অমনি হায়না থম্বা য়াই। মখা তানা মখোয় অহুম্বু শন্দোক্লা অসুম্না থম্বা য়াই। মপং অসিদা য়াওরিবসি মিনরেলগী ওইবা মচাকশিং, অহিংবা শা-ঙা, পাম্বী, উ-ৱা, নাপি-শিংনা লোয়ননা মখোয়না শিরবা মতুংদা মখোয়গী পথু-পুমথরবা মচাকশিং, অহিংবা হিংকুপশিং অমদি অতোপ্পা থৱায় পানবশিং; মহিনা ঈশিং মনিল/ঈশিং; মনীলনা নুংশিৎ/গ্যাস অসিনি। অফবা সোইল অমদা হায়রিবা মচল অহুম অসি চাং চানা লৈফম থোকপা চাং অমদা লৈবা মতমদা পাম্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমগনি। অমরোমদা মচলশিং অসি মরি থোক্লসু- মিনরেল মেট্টর, ওর্গানিক মেট্টর, ঈশিং অমসুং নুংশিৎ হায়না থম্বা য়াই। সোইল অমগী অপূনবা ভোল্যুমগী চাদা থমজরিবা মচল মরিগী চাং অসি কয়া-কয়া য়াম্না য়াওবগে হায়বা অদুনা সোইল অদুগী অফ-ফত্ত মগুন লেপ্পী। সোইল অমগী অপূনবা ভোল্যুমদা মিনরেল মেট্টর - ৪৫%, নুংশিৎ - ২০-৩০%, ঈশিং - ২০-৩০%, ওর্গানিক মেট্টর - ৫% ওইবা মতমদা পাম্বী নীংথিনা হৌবা ঙম্বা সোইল ওইহল্লি। অসিগুম্বা সোইলদা য়াওরিবসি শরুক তঙ্খাই অমদি মপংনি (মিনরেল অমসুং ওর্গানিক মেট্টর) অদুগা শরুক তঙ্খাই অমনা অহাঙবা চাউবা মান্নদবা মখুন কয়াগী শরুকনি। মসিবু ঈশিং অমসুং নুংশিৎনা চাওরাক্লা তঙ্খাই তঙ্খাই মেনশিন্দুনা য়াওরিবনি। অপূনবা অদুগীনা ৫% খক্লা ওর্গানিক মেট্টরনি। অদুবু য়ামখিদ্রবা শরুক অসিখক্কী থৌদাংদি য়াম্নমক চাওই। মসিগা লোয়ননা লৈবাক লৈহাও অমদা য়াওরিবা অহাঙবা অহোবা শরুক অসিগীসু চাউরবা থৌদাং লৈরিবনি। অহাঙবা/অহোবা অসিদনি য়াম্নমক মরু ওইরিবা ঈশিং অমসুং নুংশিৎকী তুংশিনফম ওইদুনা পাম্বীগী তঙাইফদবা মচীঞ্জাক মচল ঈশিংদা তুমহন্দুনা পীগদৌরিবসি। লোয়ননা নুংশিৎ ফংহন্দুনা পাম্বীগী মরানা শ্বর হোনবা ঙমহনগদৌরিবনি। পাম্বীগী মরানা মাগী মনাক্তা লৈবা ঈশিংদা তুল্লবা মচীঞ্জাকখক্তমক চুপখৎপা ঙম্মী।

মিনরেল মেট্টর : খরা তোয়না শীজিন্নরবা/ফরবা লৈবাক লৈহাও অয়াম্বদা য়াওরিবসি - লৈঙোই, খরা হেন্না কূপ্পা সিল্ট কৌবা অমগা য়াম্নমক কূপ্পা লৈতানগী মচাক্কী শরুকশিংনি। লৈঙোইদি অমগা অমগা কৈদৌনুংদা নপশিন্নদে, মচা প্রোপ প্রোপ তাই, সিল্ট য়াম্না কূপ্লবসু অমগা অমগা নপশিন্নদে, অদুবু লৈতানগী শরুক্তি অমগা অমগা নপশিন্ননবা হোৎনৈ নপশিন্নৈ। মখোয় অহুম অসি পূন্না মাগী মাগী য়াওবগী চাং মতুংইন্না লৈতান্না নম্বনা লৈতানলম, লৈঙোইনা নম্বনা লৈঙোইলম, সিল্টনা নম্বনা ফোলি তাবা লম হায়না খাইদোকনৈ। মখোয় অহুম্না কয়া-কয়া য়াম্না য়াওই হায়বগী চাং অদুবুনা সোইল টেক্সর হায়না খঙনৈ। টেক্সরনা লৈবাক অমগী অফ-ফত্ত মগুন অয়াম্বা লেপ্লে। অদুগা মখোয় অহুম্না সোইল অমদা করম্বা মওংদা শিন্দোক্তুনা য়ানশিন্নবগে/লৈবগে হায়বা অদুবুনা সোইল ষ্ট্রকচর হায়নরিবা অদুনি। টেক্সর অমদি ষ্ট্রকচর অনীমক পাম্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙম্বা-ঙমদবদা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌই।

ওর্গানিক মেট্টর : অচৌবা হিংলিবা থৱায় পানবশিং, মীৎনা উবা ঙমদবা হিংকুপশিং য়াওনা মখোয়গী অশিবা হকচাং, মখোয়গী পথু-পুমথরবা শরুকশিং, নাপি-শিংনা, উপাল-ৱাপাল কয়াগী পথু-পুমথরবা শরুকশিং খুদিংমক্লা পুল্লগা সোইল অমগী ওর্গানিক মেট্টরগী শরুক শেম্মী। অহিংবশিংনা শিরবা মতুং হিংকুপশিংনা পথু-পুমথহন্দুনা অতোপ্পা মচল কয়া শেল্লকই। মমৈথংদা মখোয়না শ্বর হোনবদা কার্বোনদাইওক্সাইদ ওইনা নুংশিৎতা অমুক তিনখি। অসুম্না অসুম মাঙখিবা মরম্না তত্তনা/লেপ্তুনা ওর্গানিক মেট্টর লৈবাক্তা হাপচিনবা মথৌ তারকই।

ওর্গানিক মেট্টরনা মিনরেল মেট্টরশিংবু ফাজিন্নদুনা মতুম-মতুম তাবা ষ্ট্রকচর শেমদুনা, শেম শাবদা, শুবদা নুংঙাইবা পাম্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙম্বা লৈবাক ওইহল্লি, লোয়ননা মখোয়না পথরবা মতুংদা মখোয়দা য়াওরম্বা পাম্বীগী মচীঞ্জাক মরু ওইনা ফোসফোরস, সলফর অমসুং নাইট্রোজেন পাম্বীদা ফংহল্লিবনি। ওর্গানিক মেট্টরবু কান্নরবা হিংকুপশিংনা তুমহনবা মতমদা মখোয়গী এনর্জি অমসুং কার্বোনগী শরুকসু ওর্গানিক মেট্টরনা পীরিবনি। অসিদসু নত্তনা লৈবাক্তা ঈশিং ফাজিনবগী চাং হেনগৎহল্লি, লোয়ননা পাম্বীদা মতম শাংনা ঈশিং ফংহল্লি। লোয়ননা সোইলগী মৈশাগী চাং চানা থম্বা ঙমহল্লি। ওর্গানিক মেট্টর লৈরমদ্রবদি অকোয়বগী ইকো সিষ্টমশিংগী মথৌশিং অসি চপ লেপখিরম্বসু য়াই।

লৈবাক লৈহাওগী ঈশিং : ১) লৈবাক মনুংদা লৈরিবা অহোবশিংদা য়াওরিবা ঈশিংগী চাং অমসুং অহোবশিংগী চাওবা-পিকপগী মতুংইন্না তোঙান-তোঙানবা ফাজিনবা ঙম্বগী চাং খেন্ননা ঈশিংশিং য়াওদুনা লৈ। পাত্র অমদা হাপ্পা ঈশিংদি হৈদোকপা মতমদা জর-জর চেন্থখি অদুবু লৈবাক লৈনুংদা য়াওবা ঈশিংদি মদুমক ওইদে। মসি লৈশা শেল্লিবা মচাকশিংগা ঈশিংদুগা চিংশিন্নবগী পাঙ্গল অদুননি। ঈশিং ফংদবদগী পাম্বীনা কংলবা মতম ফাওবদা লৈবাক অদুদা পাম্বীনা ফংবা ঙমদবা মওংগী ঈশিংদি অদুমক য়াওরিবনি।

২) মসিদা পোৎলম কয়া অমা তুমদুনা য়াওরি- খুদম ওইনা কেলসিঅম, ফোসফোরস, পোটাসিঅম, নাইট্রোজেন অসিনচিংবশিং লেপ্তুনা তুমদুনা য়াওদুনা পাম্বীদা মতম লৈবা খিবিক্তা ফংহল্লি হায়বা য়াই।

লৈনুংগী নুংশিৎ (গ্যাস) কয়া অমা শেম্বা : লৈবাক্তুদা ঈশিং থাজিনবা মতমদা নুংশিৎকী শরুকশিং অদুগী খরা নৎত্রগা পুল্লপ তপ্না তপ্না ঈশিংনা মেনশিল্লকই। মরম অসিনা সোইলগী ঈশিংগা নুংশিৎকা অনী অসি ওন্ন-তৈননা চৎলি। হায়বদি ঈশিং য়াল্লগা নুংশিৎ হন্থে, ঈশিং হন্থরগা নুংশিৎ য়ামখৎলি। অমরোমদা অমনা অমবু মেনখৎনৈ হায়বসু য়াই। ঈশিংনা অহোবা খুদিংমক মেনশিনখিবা তারগদি পাম্বীগী মরানা নুংশা শ্বর হোনবা ঙমদদুনা পাম্বী শিথরকই। লৈবাক্তা ঈশিং চনবা নৎত্রগা নোং চুখ্রবা মতুং ঈশিং চুমথখিবা/চিথখিবা অসি অচৌবা মখুনশিং অসিদগীনি, মসিদনা হান্না নুংশিৎনা মেনশিল্লিবনি। মথংদা খরা হন্থবা মখুনশিংদগী ঈশিং চুমথখিদুনা নুংশিৎনা অসুম অসুম মেনশিল্লি। অসুম্না অফবা লৈবাক লৈহাও অমদা ঈশিং অমসুং নুংশিৎ অসি চাং চানা থমদুনা পাম্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমহল্লিবনি। অপিকপা মখুন্না নম্বা লৈবাক্তা নুংশিৎতগী ঈশিংনা হেন্দুনা নুংশিৎকী চাং ৱাৎতুনা পাম্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমদে। অসিগুম্বা লৈবাক্তা নুংশিৎ ফাওদোক ফাওজিন তৌবগী চাংসু য়াম্না হন্থে, লৈনুংদা কার্বোনদাইওক্সাইদনা হেন্না য়াওশিল্লকই। লোয়ননা ওক্সিজেন ৱাৎশিল্লক্তুনা পাম্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমদে।

অসুম্না মথক্তা থল্লিবা সোইলগী মচাক মরি অসি অমগা অমগা নক্লবা মরী লৈনদুনা সোইল অদুগী অফ-ফত্ত মগুন ওইহল্লি। লৈনুংগী ঈশিংনা পাম্বীগী হকথেংনবা তঙাইফদবশিং পীবগা লোয়ননা নুংশিৎ অমসুং পাম্বীগী মচীঞ্জাক মরানা ফংবদসু মরু ওইবা থৌদাং লৌরি। অসুম্না ওর্গানিক মেট্টরনসু মাগী ফাজিনবা ঙম্বা মগুন্না মিনরেল মেট্টরশিং চাং চানা চাওবা মতুম-মতুম তাশিন্দুনা অপিকপা, ময়ায় ওইবা অমদি মরু ওইনা অচৌবা মখুনশিং শেমদুনা লৈনুংগী ঈশিংগা নুংশিৎকা অফবা মরী লৈনহন্দুনা পাম্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমহল্লিবনি। ●

মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্‌থৌলোল্‌ লম্‌পুপা’
(নিংথৌরোল লম্বুবা)-১৩৫

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

লৌয়েল অমা হাপ। চুপয়েল অমা থানা হাপ। শারেন শাসু হাপনা কৎনা লাৎ। থবী নুমিৎ থবা থাবু লাৎনা থৌনিনা। চীঙলোল তমলোল তমপা মফম সুনা। করৌ নোংদোল লাৎ। ৱাংবল মতাও তাইনা। লৈমা পুনসি নুংশাংনি। লৈবাক নিংথৌ পুনসি নুংশাংনবা থৌনিনা। উশোই কারল চীরাই চিদাই লাৎনা থৌনিরবগা। লাইরেল ময়াইকা মায়থোং মকালাম। পাখং মায়থোং নৌনা। ময়োল চোংনা নিংথিরে। শালেপ মলেপফা। মতিক মঙাল লাকলবদা। মাইকৈ নোংপোক লম। হুয়েল লালদা থৌশাবা। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -꯱꯳꯵

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ
ꯂꯥꯌꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯂꯧꯌꯦꯜ ꯑꯃꯥ ꯍꯥꯞ꯫ ꯆꯨꯞꯌꯦꯜ ꯑꯃꯥ ꯊꯥꯅꯥ ꯍꯥꯞ꯫ ꯁꯥꯔꯦꯟ ꯁꯥꯁꯨ ꯍꯥꯞꯅꯥ ꯀꯠꯅꯥ ꯂꯥꯠ꯫ ꯊꯕꯤ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯊꯕꯥ ꯊꯥꯕꯨ ꯂꯥꯠꯅꯥ ꯊꯧꯅꯤꯅꯥ꯫ ꯆꯤꯡꯂꯣꯜ ꯇꯃꯂꯣꯜ ꯇꯝꯄꯥ ꯃꯐꯝ ꯁꯨꯅꯥ꯫ ꯀꯔꯧ ꯅꯣꯡꯗꯣꯜ ꯂꯥꯠ꯫ ꯋꯥꯡꯕꯜ ꯃꯇꯥꯎ ꯇꯥꯏꯅꯥ꯫ ꯂꯩꯃꯥ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯅꯨꯡꯁꯥꯡꯅꯤ꯫ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯅꯨꯡꯁꯥꯡꯅꯕꯥ ꯊꯧꯅꯤꯅꯥ꯫ ꯎꯁꯣꯏ ꯀꯥꯔꯜ ꯆꯤꯔꯥꯏ ꯆꯤꯗꯥꯏ ꯂꯥꯠꯅꯥ ꯊꯧꯅꯤꯔꯕꯒꯥ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯌꯥꯏꯀꯥ ꯃꯥꯌꯊꯣꯡ ꯃꯀꯥꯂꯥꯝ꯫ ꯄꯥꯈꯪ ꯃꯥꯌꯊꯣꯡ ꯅꯧꯅꯥ꯫ ꯃꯌꯣꯜ ꯆꯣꯡꯅꯥ ꯅꯤꯡꯊꯤꯔꯦ꯫ ꯁꯥꯂꯦꯞ ꯃꯂꯦꯞꯐꯥ꯫ ꯃꯇꯤꯛ ꯃꯉꯥꯜ ꯂꯥꯛꯂꯕꯗꯥ꯫ ꯃꯥꯏꯀꯩ ꯅꯣꯡꯄꯣꯛ ꯂꯝ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯂꯗꯥ ꯊꯧꯁꯥꯕꯥ꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।